# শান্ন-খোৎনবদা মীয়াম অমদি কম্ম্যুনিটিশিংবু পূনশিনহল্লি : সী এম



ইম্ফাল,নভেম্বর ৫(ঐচএনএস):

শান্ন-খোৎনবদা লাইনিং-লাইশোলগী খেন্নবা থমদনা অমদি ফুরুপ-কাঙলূপ্তা অমাং-অশেং লৈহন্দনা মীয়াম অমদি কম্ম্যুনিটিশিংবু অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা থল্লি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা ১৩শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী লোইশিনবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টর বিরেননা মখা তারদুনা ঐখোয়না লৈবাক অসিগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিংবু ইকাই খুম্নফম থোকই অমদি মখোয়গী ওইজবা থিদ্রবা কথোকপবু কাউফম থোক্তে হায়খি।

পাল্লিবা লৈঙাক অসিনসু ঐখোয়গী ফ্রীদম ফাইটরশিংগী মমিংদা মেমোরিএল পার্ক কয়া শেমগৎনবা থৌরাং তৌরি। লৈঙাক্লা তমেংলোংদা এষ্ট্রো টর্ফ গ্রাউন্দশিং শেমগৎনবা হোৎনরি অমদি তামৈ এরিয়াদা প্লে গ্রাউন্দ ২১, ওক্লোংদা ৩ অমদি সেনাপটিনচিংবদা পায়খৎনবা হোৎনরি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা নমদুনলোং ফুটবোল ক্লব (এন এফ সী) অমদি গাইদিমজাং য়ুঠ এসোসিএসন (জি ৱাই এ) অনীনা লম্বা তৌনখি।

লোইশিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা জেলিয়াংরোং ফিল্ম ফোরম মণিপুর অমদি মণিৰুদ ক্লব মণিপুর অনীগী ওইবা এগজিবিসন ফুটবোল মেটচ অমসু শান্নখি। এগজিবিসন মেটচ অসিদা টিম অনীনা ৩-৩দা দ্রো ওইখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা থৌরম মপু অদুগা মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ, ঐচ দিঙ্গো, হিলস এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেন দিনগাংলুং গাংমৈ, থাংমৈবন্দগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষন, তমেংলোংগী এম এল এ জাংহেমলুং পানমৈনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# ‘মণিপুরনা অমুক হন্না ওভরওল চেম্পিয়ন ওইবা ঙমগনি’

ইম্ফাল,নভেম্বর ৫(ঐচএনএস):

মেঘলায়ানা য়ূম্বু ওইদুনা শিল্লোংদা থা অসিগী ১০দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক গেমসতা মণিপুরনা গোল্ড মেদল ১০০গী মথক্তা লৌদুনা অমুক হন্না ওভরওল চেম্পিয়ন ওইবা ঙমগনি হায়না মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী সেক্রেটরি জেনরেল সুনিল এলাংবমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি ঙসি খুমন লম্পাক্তা লৈবা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মীটিং হোলদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন ১৮দা অথোই-অহেন তান্নগদৌরিবা শিল্লোং নোর্থ ইষ্ট গেমস অসিদা ষ্টেট অসিদগী শান্নরোয় অমদি ওফিসল পূন্না কন্টিঞ্জেন্ট ৪৬০দা শরুক য়ারি। মসিগী মথক্তা দিসিপ্লিন খূদিংমক্কী টেক্নিকেল ওফিসল ৫/৫সু ষ্টেট অসিদগী থাবীরক্লবা মেঘলায়া ওলিম্পিক এসোসিএসননা খঙহল্লকপা লৈরে।

ষ্টেটকী কন্টিঞ্জেন্টশিং থা অসিগী ৮দা খুমন লম্পাক্কী মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী শঙলেন দগী শিল্লোংগীদমক লমথারগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর সাইক্লিং টিমগী মেনেজর ঐচ লেনিন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, হন্দক্তা গুজরাটতা পাঙথোকখিবা ৩৬শুবা নেসনল গেমসতা মণিপুরনা সাইক্লিং মশান্নদা গোল্ড ৮ হেন্না ফংদুনা ওভরওল চেম্পিয়ন ওইবা য়ারম্বনি অদুবু শেল-থুমগী অৱাৎপা লৈবনা সাইক্লিংগী ইক্বিপমেন্টশিং লৈবদা খূদোংচাবা ফংখিদবা অমদি অতোপ্পদগী ৱাইরগা শীজিন্নবনা অচৌবা মরম ওইখি।

লাক্কদৌরিবা শিল্লোং গেমস অসিদা ষ্টেটকী সাইক্লিষ্টশিংনা নেসনল গেমসতগী হেন্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীদুনা ষ্টেটকী মিংচৎ পুরকপা ঙমগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিন ১২দা ২০১৮দা পাঙথোকখিবা অহানবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিকক্স গেমসতা মণিপুরনা গোল্ড ৭৯, সিলভর ৪৭ অমদি ব্রোঞ্জ ৩১ পূন্না মেদল ১৫৭ ফংদুনা ওভরওল চেম্পিয়ন তাবা ঙমখিবনি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শিল্লোং গেমস অসিগী মণিপুরগী চীফ দি মিসনসু ওইরিবা এম ও এগী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রাচন্দ্র, এম ও এগী জোইন্ট সেক্রেটরি এল শান্তকেশোর অমদি টি দুশন্ত, এম ও এগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর থাংজম কিরনকুমার অমদি এ জোন্সননা শরুক য়াখি।

# ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

## মীয়াম পূন্না খঙমিন্নরসি...

## কনা কনানা করম-করম্বা টিমদা লেপ্লি

জে সী মায়া




### মতমগী খোঙচৎনা লেপ্তবনা শুপ্নগী নুমিৎ ১৪নি খক্তা ঙাইশিল্লক্লে



*ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রতনকুমার*

লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিং অয়াম্বদা ফুটবোল মশান্না অসিবু থৱায় য়াওশিন্দনা লৈরিবা অসি থাদোক্লগা গ্রাসরুট প্রোগ্রাম কয়া নীংথিনা পায়খৎলবদি ইন্দিয়াগী ফুটবোল হেন্না ফগৎলক্কনা ৱর্ল্ড কপনচিংবা অচৌবা টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা ঙমগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রতনকুমারনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অসিগী ফুটবোলগী ফেক্টিরিনি হায়নরিবা মণিপুরনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল অসি দোমিনেন্ট তৌদুনা লৈরি। মসিগী ময়েক লারবা খুদমদি ইন্দিয়া টিম শেম্বদা ষ্টেট অসিদগী নুপী ফুটবোল্লর ১০/১১ শরুক য়ারিবা অসিনি। নুপা ফুটবোলগী ওইনসু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল লীগ ওইরিবা আই এস এল অমদি হিরো আই লীগতা ষ্টেট অসিনা খ্বাইদগী য়াম্না শান্নরোয় পুথোকপা ষ্টেট ওইরি।

> *‘ষ্টেট অসিদা লৈরিবা টিমশিংগী ওফিসলশিংনা কোদ ওফ কন্দক্ট নীংথিনা খঙলবা অমদি শান্নরোয়শিংনা দিসিপ্লিন লৈনা ফিজিকেল ফিটনেস মেন্টেন তৌরবদি হেন্না অফবা ফুটবোল্লরশিং পুথোকপা ঙমগনি।’*
>
> *- এম রতনকুমার*

হান্না লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল টুর্নামেন্টনি খন্নরম্বা সন্তোশ ট্রোফিদা ষ্টেট অসিনা মনিংলোমদা কুমথরকপগী অচৌবা মরমদি ষ্টেটকী শান্নরোয় অয়াম্বা প্রোফেসনেল চঙদুনা আই এল এল অমদি হিরো আই লীগ টিমশিংদা শরুক য়াখিবনা মখোয়বু কৌথোক্লগা ষ্টেটকী শান্নহনবা ঙমদবা অসিনা ওইরি।

‘ঐগী ওইনা ফুটবোল শান্নবা হৌরকপদগী ব্রাজিল টিমদা সপোর্ট তৌদুনা লাক্লি। হন্দক্কী কটার ৱর্ল্ড কপ অসিদসু ব্রাজিল টিমবু সপোর্ট তৌগনি।’

ষ্টেট অসিদা পাল্লিবা লৈঙাক্লা মতম চানা এসোসিএসনদা মতেং পাংবীরবা অমদি হৌজিক লৈরিবা ষ্টেটকী টিমশিংগী ওফিসলশিংনা টুর্নামেন্টকী কোদ ওফ কন্দক্ট নীংথিনা খঙনা এসোসিএসনবু মতেং পাংবীরবা অদুগা শান্নরোয়শিংসু দিসিপ্লিন খঙনা শান্নবগা লোয়ননা ফিজিকেল ফিটনেস নীংথিনা মেন্টেন তৌদুনা থম্বা ঙল্লবদি ষ্টেট অসিদা ফুটবোল মশান্না অসি হেন্না চাউখৎলকপা ঙমগনি।

# অহানবা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ৫(ঐচএনএস):

খা মণিপুর থাঙ-তা একাদেমি পল্লেলনা শীন্দুনা অহানবা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ঙসি পল্লেল কম্ম্যুনিটি হোলদা ককচীংগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা তোঙান-তোঙানবা থাঙ-তাগী ইন্সটিট্যুসন তরেৎতগী লাকপা শান্নরোয় ১২০ হেনবনা শরুক য়ারি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা সব-জুনিয়র নুপামচাগী ফুনবা অনীশুবা ইভেন্টকী কেজি ২১ মখাগী কাঙলূপ্তা য়ুনিভর্সেল থাঙ-তা একাদেমি ৱাঙুগী এন চীঙ্খেঙানবনা গোল্ড অদুগা ৱাই পি এ থাঙ-তা একাদেমি হিয়াংলমগী কে এস ঐচ মনিথোইবা মৈতৈনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি।

মঙাং লুৱাং খুমন থাঙ-তা সুগ্নুগী এল লনচেনবা মৈতৈ, য়ুনিভর্সেল থাঙ-তা একাদেমি ৱাঙুগী এন মালেমঙানবা মৈতৈ, ৱাই পি এ থাঙ-তা একাদেমি হিয়াংলমগী কে এস ঐচ সনাথোই মৈতৈ অমদি খা-মণিপুর থাঙ-তা মণিপুর পল্লেলগী টি থোইচানা কেজি ২৫, ৩৩, ৩৭ অমদি ৪১ মখাগী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা ৱর্ল্ড থাঙ-তাগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

## এন হাজারি অমদি ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট

# ইম্ফাল রাইদিং-এ, অসাম রাইফলস ক্বার্টর চঙখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ৫(ঐচএনএস):

মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথুরিবা ৩৬ শুবা এন হাজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইম্ফাল রাইদিং পোলো ক্লব-এ লম্ফেলনা মেজর করন পোলো ক্লব ককৱাবু ৬-৩দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।



এল রোহিটনা অহানবা চক্কর লোইরমদাই শান্নবগী ৭.১১দা ইম্ফাল রাইদিংগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা চক্করগী শান্নবগী ৬.২১দা গোল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। টিম কেপ্টেন লৈশেম্বা তখেল্লম্বমনা অনীশুবা চক্করগী শান্নবগী ৫.০২দা ইম্ফাল রাইদিংগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অহুমশুবা চক্করগী শান্নবগী ১.৪৩দা গোল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। এ বসন্তনা অনীশুবা চক্করগী শান্নবগী ৫.১৭ অমদি অরোইবা চক্করগী শান্নবগী ৪.৪৬তা মায় পাকপগী ৩শুবা অমদি ৬শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

ককৱা টিমগী গোল ৩ অদুনা টিম কেপ্টেন ঐচপ্রিতমনা অহানবা চক্করগী শান্নবগী ১.০২, কে ঐচ রিভাল্ডোনা অনীশুবা চক্করগী শান্নবগী ২.১৯ অমদি এন সদানন্দনা অরোইবা চক্করগী শান্নবগী ৬.৩২দা চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা অসাম রাইফলস পোলো ক্লব কৈথেলমানবীনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব-সীবু ৭-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

অসাম রাইফলস টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু রিয়াকট অলিনা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা চক্করদা গোল ৩, এল জয়কুমারনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা চক্করদা গোল ২ অদুগা ৱাজি অমদি টিম কেপ্টেন কে ঐচ চন্দ্রকুমারনা অহানবা অমদি অরোইবা চক্করদা অমমম্ চনবা ঙমখি। মণিপুর পুলিস টিমগী গোলশিং অদুনা এম জৱান অমদি এস অবুংচানা অহানবা চক্করদা অমমম্ অদুগা এস বিমোলনা অহুমশুবা চক্করদা অমা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা এল থোমসন অমদি কে জোগেন্দ্রনা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

# ষ্টেট খো-খো : এ এস কে কে এনা নুপাগী, এস সী ঈ এ এস দি ওনা নুপীগী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ৫(ঐচএনএস):

মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএসন অমদি ওল সেকমাই খো-খো এসোসিএসন অনীনা খূৎশম্নুনা শীন্দুনা চথুরকপা ৪৬শুবা মণিপুর ষ্টেট সিনিয়র মেন্স এন্দ ৱিমেন্স খো-খো চেম্পিয়নশিপ ঙসি অৱাং সেকমাই কৌজেংলৈমদা লৈবা কেৱাইদি ওগ্রাউন্দদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা এ এস কে কে এ সেকমাইনা নুপাগী অদুগা এস সী ঈ এ এস দি ও হৈরোকনা নুপীগী ৱিন্নর ওইখ্রে।



নুপাগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা এ এস কে কে এনা এস সী ঈ এ এস দি ও হৈরোকপু ১৯-১৭তা মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা নুপীগী ফাইনেলদা এস সী ঈ এ এস দি ও হৈরোকনা আর ৱাই সী কৈবীবু ১৪-১২দা মায়থীবা পীখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা খুরখুল জিল্লা পরিষদকী মেম্বর অঙোম বিক্রমনা অথোইবা মীথুংলেন অদুগা মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কে বারুনিনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

## দি এস এ ককচীং থর্দ দিভিজন লীগ হৌদোকখ্রে

# রামেশকী গোলনা পি এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ৫(ঐচএনএস):

ও রামেশনা চনখিবা গোল ২ অমদি দল্লিয়ু রঞ্জননা শান্নবগী ১৪ শুবা মিনটতা চনখিবা গোল অমগী মতেংনা পি এফ সী তোকপচীংনা টি য়ু সী থোংজাওবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

রামেশকী অহানবা গোল অদুনা শান্নবা হৌরকপগী ৪শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা অমদি মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ২২ শুবা মিনটতা চনখিবনি। থোংজাওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এন মোরাম্বনা শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা চনখি।

মেটচ অসিদা রেফরি দেরেক মরিংনা পি এফ সীগী কোরৌহনবা অমদি বোবি শান্নবগী ৬০ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

## এস ঐচ মণি থর্দ দিভিজন লীগ

# ৱাফা, এস জে সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ৫(ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা মালোমগী ৱাই দল্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা চথুরিবা ৫শুবা এস ঐচ মণি থর্দ দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাফা ৱাঙ্গোইনা টি এস এফ এ তোপ সিফাইবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে। ৱাঙ্গোই টিমগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু দল্লিয়ু সিমসন অমদি এল জেক্সননা শান্নবগী ১২ অমদি ৪৭তা চনখি। তোপ সিফাইগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা স্বামিনা শান্নবগী ৭৫দা চনখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস জে সী সলামনা ৱাই এ সী য়ুরেম্বমবু লাকচনা ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে। সলামগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু আই ইন্দ্রজিৎনা ২ অদুগা তাইবংঙানবা, অজিৎকুমার অমদি ফয়াল খাননা অমমম্ চনখি।

# এন জি মণি কোলেজনা ইম্ফাল ইষ্ট থোইখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ৫(ঐচএনএস):

মোইরাং কম্পু য়ুনিয়ন ক্লবতা চথুরিবা ৬৯ শুবা সিনিয়র ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপকী নুপীগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এন জি মণি কোলেজনা ইম্ফাল ইষ্টপু পোইন্ট ৭৭তা মায়থীবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এ এম দি এ এস সী এ এমনা এম য়ু সীবু পোইন্ট ৪৪দা মায়থীবা পীখি।

## এম য়ু ইন্টর কোলেজ ভোলিবোল লোইশিনখ্রে

# থম্বাল মরিকনা নুপাগী, দোন বোস্কো কোলেজনা নুপীগী ৱিন্নর ওইখ্রে





ইম্ফাল,নভেম্বর ৫(ঐচএনএস):

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী লমজিং মখাদা লিলোং হাওরৈবী কোলেজ উশোইপোকপীনা শীন্দুনা চথুরকপা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ভোলিবোল (মেন এন্দ ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা থম্বাল মরিক কোলেজনা নুপাগী অদুগা দোন বোস্কো কোলেজ মরামনা নুপীগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী ফাইনেলদা দোন বোস্কো কোলেজ মরাম্না য়ুনাইটেদ কোলেজ চান্দেলবু সেট ২-১ (২৫-১৬,২১-২৫,২৫-১৯)দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

অতোপ্পা নুপাগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা থম্বাল মরিক কোলেজনা দোন বোস্কো কোলেজ মরামবু সেট ৩-১ (২৫-১৫, ২৫-১০, ২৩-২৫,২৫-১৯)দা মায়থীবা পীখি।

অয়ূক শান্নখিবা নুপাগী সেমীফাইনেলদা থম্বাল মরিক কোলেজনা ময়াই লম্বী কোলেজবু ৩-০ অমদি দোন বোস্কো কোলেজনা কে পি কোলেজ হিয়াংথাংবু ৩-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

## থুংখু মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# পি এম টি, কিংস এম সী জে ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল,নভেম্বর ৫(ঐচএনএস):


থুংচেং য়ুঠ ক্লবনা শীন্দুনা চথুরিবা অহানবা থুংখু ৯-এসাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচশিংদা মায় পাক্তুনা পি এম টি অমদি কিংস এম সী জে অনীনা থা অসিগী ৭তা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা পি এম টিনা ননটাল এফ সীবু ৫-২দা মায়থীবা পীখি।

পি এম টিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ঙমগৌলেননা শান্নবগী ২১ অমদি অহানবা হাফকী ইঞ্জ্যুরি টাইমদা গোল ২, দেনিএলনা শান্নবগী ২৩ অমদি ৭৬তা গোল ২ অমদি ঙমনিওনা শান্নবগী ৭৯ শুবা মিনটতা গোল ১ চনখি। ননটালগী গোল অনী অদুনা থোমাস অমদি রোবিনসননা চনখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা কিংস এম সী জেনা থুংচেং এফ সীবু ৫-২দা মায়থীবা পীখি। কিংস এম সী জেগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু আর্মষ্ট্রোংনা ২ অদুগা পাওলিন, মোংঙমফা অমদি মার্কোনিনা অমমম্ চনখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 620**

**Jonathan Helm (1854) - Stefan Sattler (2029)**
**Mittelfranken-chTB2b 1112 Germany, 2011.10.23**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 e6 | 2.d4 d5 | 3.Nd2 Nc6 |
| 4.Ngf3 Nf6 | 5.e5 Nd7 | 6.c3 a6 |
| 7.Bd3 f6 | 8.O-O fxe5 | 9.dxe5 Ndxe5 |
| 10.Nxe5 Nxe5 | 11.Qh5+ Nf7 | 12.Bxh7... |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 619 Ans. :**

40. Qd8+ Kh7 41. Rf8 Qg1+ 42. Kb2 Qg5 43. Qd3+ g6 Blocking square g6. 44. Qd6 Kg7 45. Qb8 Qh6 46. Qd8 Qg5 47. Rg8+ Kh7 48. Rh8+ Kg7
49. Qf8# Triangle mate
49. Qg8#
1-0




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com